## ক্যুইজ কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): মালেম সনামহী লাইনিং মহৈরোয় লূপ (ইন্টরনেসনল সনামহীজম ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন) না শীন্দুনা থা অসিগী ২২ দা জি পি ৱিমেন কোলেজদা অয়ুক পুং ১০ দগী রিটন ক্যুইজ কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট বোনিস খাইদেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্পিটিসন অসি খঙলসি কংলৈপাক মণিপুর হায়বা পান্দমদা শিনবনি। কম্পিটিসন অসিনা কোনশিনগদবা হিরমশিংদি, মণিপুরগী ওইবা হিষ্ট্রি, জিওগ্রাফি, লিটরেচর, আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টস অমদি করেন্ট এফ্যেরসতা ওইগনি। কম্পিটিসন অসি পুন্না মহৈগী থাক ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ব ফাওবগী ওইগনি। চাংদম্নবা অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৬, লুপা লিশিং ৪ অমসুং লুপা লিশিং ২ ওইগনি। মরিদগীনা তরাশুবা ফাওবগী ওইনা কন্সোলেসনগী মনাসু লৈগনি। কম্পিটিসন অসিগী অকুপ্পা মরোল ৮৪১৬০৭৯৯২০, ৭০০৫০৫২৯৩০, ৯৭৭৪৪৬৫৩০৬, ৮৪১৩৯৬১৪২৯ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুয়িনন (এমসু) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু হৈঙাং ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুগদবা থৌমীশিং খনখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অঙোম সুরঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এমসু হেদ ক্বার্টর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওর্গনাইজেসন ইন-চার্জ প্রবিন, প্রসিদেন্ট সঞ্জয় মংশাতাবম, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মহেশ্বর, পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি সুরঞ্জিৎকা লোয়ননা এমসু হেদ ক্বার্টরদা মহৈরোয় ২৫ রোম ফম্মিন্নদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা খনখিবনি। খনখ্রবা থৌমীশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা কোঞ্জেংবম ধনজিৎ, সেক্রেটরি জেনরেলদা মার্নলেম নাওরোইবমনি। মহৈরোয় ১৯ না কুমজা ২০১৯-২১ গী সেসনগী এমসু হৈঙাং ব্রাঞ্চকী থৌমী ওইগনি। এদ্যুকেসন সেক্তরদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা মতিং লৈবা মহৈরোয়শিং পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না লেপ্পখি। মতম মতমগী ওইবা খুন্নাই অসিদা শিংনরকপশিংগী মায়োক্তা লেপ্পা হায়নসু ৱারেপ্পখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সেপ্টেম্বর ১৮ ফাওবদা ফিরেপ লাউথোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে : এমসু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): বেবিসনা মীশিগী মতাংদা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্কী ফিরেপ লাউথোক্তবা তারবদি মীয়ামগা লোয়ননা অচৌবা ফিরেপ অমা লৌরগা চঙশিন্নবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী সেক্রেটরি জেনরেল বিপিনচন্দ্রনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এমসুগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা বিপিনচন্দ্রনা হায়খি, নিংথৌজম বেবিসনা লৈখিদবগা মরী লৈননা জে এ সীনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজং থা ২ য়ৌরক্কদৌরবা ফাওবা লৈঙাক্না চপ চাবা ফিরেপ মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা লাউথোকপা ঙমদবা অসি মণিপুর খুন্নাই অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী লাইবক থীবা থৌদোক্নি। থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না মীয়ামদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লাউথোক্কদবনি। করিগুম্বা লাউথোক্তবা তারবদি মীয়ামগা লোয়ননা অচৌবা ফিরেপ অমা লৌরগা চঙশিন্নবা শেম-শাদুনা লৈরে। ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা স্কুল ওইরে হায়না পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্টতা ফোঙখিবা লৈরবনি।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি মণিপুর অমসুং কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগা লোয়ননা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা স্কুল অসি দি-রেকগনাইজ তৌনবা এমসুনা দিমান্দ তৌরি। ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি তোঙান তোঙানবা কেম্পস অনী হাংলগা ইলিগেল ওইবা মওংদা হাংলে হায়বা লৈঙাক্না খঙলবা ফাওবা রিকগনেসন কক্তবা অসি লাইবক থীবনি। দি-রেকগনাইজ তৌগদবনি। কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২১ গী সেসনদগী মণিপুরদা ঙসি ফাওবা চৎনদনা লাকখিবা দি মণিপুর প্রাইভেট স্কুল রেজি-ষ্ট্রেসন এন্দ রেগ্যুলেসন এক্ট অসি চৎনগদবনি। মণিপুরদা খুরক হাংদনা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা বোর্দিং স্কুলশিং অমদি হোষ্টেলশিংগী ওইবা চপ চাবা চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা রেগ্যুলেসন নৎত্রগা এক্ট চৎনহল্লগা বোর্দিং হাংগদবনি। ক্লাস সিক্সকী মখাদা লৈবা মহৈরোয়শিং তোঙান তোঙানবা হোষ্টেল অমদি বোর্দিংশিংদা থম্বীগনু। লৈঙাক্নসু হিরম অসিদা চপ চাবা এক্সন শোয়দনা লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি। খোঙজং অসিদা মহৈরোয় অমদি মী ৫০ গী মথক্তা শোকখিবা, প্লাষ্টিক সর্জরি তৌবা অমদি ফমুংদা য়াতাদুনা লৈবা মহৈরোয় কয়াগী চঙখিবা শেনফম লৈঙাক্না পীবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ষ্টেট লেভেল ইনভাইরনমেন্টেল রিটন ক্যুইজ সেপ্টেম্বর ২৯ দা কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি : দেসাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেভেল ইনভাইরনমেন্টেল রিটন ক্যুইজ কম্পিটিসন ২০১৯ থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্লগনি হায়না দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি প্রোপেগন্দা ফিলেমচা বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা মীওইবনা তৌরুবা থবক্কী মহৈ ওইনা মহৌশা লৈরম্বা খল কায়থরক্তুনা ঙসিগী মীরোলনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি কলহৌনবা হৌরক্লিবা মীরোলশিং অসিদা মহৌশাগী খল ঙাক-শেন্দুনা থম্বা তঙাইফদে হায়বসি খঙহনবা মথৌ তারক্লি। নৎত্রবদি কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসিনা অসুম হেঞ্জিনখিদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদা মালেম অসিদা লৈরম্বা শা-ঙা কয়া খুদম ওইনা দাইনোসরনচিংবা খোঙ্গুল মুৎখিবগুম ঙসি লৈরিবা মীওইবা অসিসু মালেমদগী মাঙখিরোই হায়নিংঙাই লৈতে। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা দেসামনা হৌখিবা চহী কয়াদা মহৌশাগী খলবু ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক মতম মতমগী ওইবা মখল-মখা কয়াগী এৱ্যেরর্নেস কেম্পেয়ন কয়া স্কুল, কোলেজ অমদি খুল-খুলদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। এৱ্যেরর্নেস কেম্পেয়নশিং অসিগী মনুং চন্না হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা পাঙথোকখিবগুম হন্দক চহীগী ওইনসু থা অসিগী ২৯ দা ষ্টেট লেভেল ইনভাইরনমেন্টেল রিটন ক্যুইজ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

রিটন ক্যুইজ কম্পিটিসন অসি কেটগোরি অনী থোক্না পাঙথোক্কনি। কেটগোরি এদা ক্লাস ফাইবতগী সেভেন ফাওবা, কেটগোরি বিদা ক্লাস আইটতগী ক্লাস টেন ফাওবা ওইগনি। কেটগোরিগী মতুংইন্না ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবশিং নমথোক্লবা ৱাহং পাউখুমগা লোয়ননা পীথোক্কনি। পীথোক্লিবা ৱাহংশিং অসিগী মনুংদগী ৱাহং ২০০ খনগৎলগা কম্পিটিসনদা হংগনি। লেমহৌরিবা ৱাহং ১০০ না মণিপুর জি কেদা হায়বদি মণিপুর হিষ্ট্রিদা ৱাহং ৩০, মণিপুরী জিওগ্রাফিদা ৱাহং ৩০, স্পোর্টস ৩০, করেন্ট এফ্যেরসতা ২০ হংগনি। কম্পিটিসন অসিগী অপূনবা মার্ক ৩০০ গী ৱাহং ৩০০ হংলগা কম্পিটিসন অসিগী মনা ওইনা অহানবদা লুপা লিশিং ১৫, অনীশুবা লুপা লিশিং ১০, অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৮ গা লোয়ননা সার্টিফিকেট পীগনি। মীওই ৩০ সু খনগৎতুনা কন্সোলেসন পীগনি। কম্পিটিসন অসিদা য়াওনিংবশিংনা দেসাম হেদ ওফিস অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওফিসশিংদগী থা অসিগী ৯ দগী ফংগনি। থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা রিটন ক্যুইজগী এগজাম সেন্টরশিং ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মনুংদা ওইগনি। মেদিয়মনা ইংলিস ওইগনি। নমথোক্লবা পাউখুম য়াওবা ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবা ৱাহং ৫০০ থা অসিগী ১৭ তগী পীগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক য়াওনিংবশিংনা ফোন নম্বর ৭০০৫৩৭৭৩৬৭, ৭০০৫২৭৪৯১০, ৮৮৩৭২৩২৮২২ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লুপা ক্রোর ২.০৬ ওইগদবা কোন্ট্রাবেন্দ সিগরেটকা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা থা অসিগী ২ দা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী এন ঐচ-৩৭ কী কৈমাই এরিয়াদা ট্রক অমা (এ এস-০১-দি দি-৪৭০১) চেক তৌবদা গাড়ী অদুবু থৌরকপা দ্রাইভর অমা ইন্টরনেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ২.০৬ রোমগী ওইগদবা কোন্ট্রাবেন্দ সিগরেট ফোরেন ব্রান্দগা কোন্ননা ফারে হায়না পুলিস দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী পি আর ও, দল্লিয়ু বাসুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফারবা মীওই অদুদি সাহিদ খান, অপোকপা ইস্লামুদ্দিন, সোরা করানচিদগীনি। মহাক কোন্ট্রাবেন্দ সিগরেট ফোরেন ব্রান্দ পেরিস বোক্স ৪৯ অমদি ঈ এস এস ঈ লাইট ৩৬ কা কোন্ননা ফাবনি। ইন্টরনেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ২.০৬ রোম ওইগদবা পোৎলমশিং অসিগা কোন্ননা ফাখিবনি। দ্রাইভর, ট্রক অমদি ফারবা পোৎলমশিং অদু থা অসিগী ৩ দা কষ্টম দিভিজন ইম্ফালদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সী দি ও থৌবাল অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্বাইন্দ টিমনা লিলোং বজারদা লৈবা এম দি মসলুদ্দিন কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা দল্লিয়ু ৱাই কেপসুল ৩৬৬ অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৬৫০, কপ সিরফ বট্টল (কোদাইন) ৩৪, হিরোইন ফোর গ্রাম ৮ ফারে। মসলুদ্দিন হায়রিবা মীওই অসি কছার দিষ্ট্রিক্টতগী হৌজিক্না লিলোং বজারদা লৈবনি। লিলোং বজারদগী কে ঐচ শাহদাট অলি কৌবা মীওই অমসু ফারে। থা অসিগী ৩ গী নুমীদাং পুং ১১.৪০ রোম চৎপা মতমদা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী সী দি ও থৌবাল অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা মসলুদ্দিনগী য়ুমদা কোয়শিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথবদা পোৎলমশিং অদু ফংবনি। লিলোং পুলিসতা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ককচিং জোনেল নৌনা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): ককচিং এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মহৈরোয়শিংগী অপূনবা মীফম অমা ঙসি খুঞ্জা পাৎ, ককচিংদা পাঙথোক্তুনা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ), ককচিংগী জোনেল নৌনা শেমখ্রে হায়না এ আই এস এফকী সেক্রেটরি নাওরেম রবীদাসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিংগী মুভমেন্টকা ঈরোয়ননা লাকখিবা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী জোনেল অসিগী ককচিং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিংদা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং ওথোরিটিগী মফমদা পুখৎনবা হোৎনগনি। মহৈরোয়শিংদা লেফ্‌টিষ্ট আইদিওলোজি শন্দোক্নবা অমদি ষ্টদি এন্দ ষ্ট্রগল ৱাখল্লোনগী মখাদা মহৈ-মশিন চঙখোন্না তম্বগা লোয়ননা ষ্টুদেন্টস কম্যুনিটিগী ইন্টরেষ্টতা নত্তনা খুন্নাইগী ইস্যুশিংদসু ষ্ট্রগলশিং চঙশিনগনি।

নৌনা শেমখিবা ককচিং কোলেজ, এ আই এস এফকী মহৈরোয় ১৬ না শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমা খনখ্রে। মহৈরোয় নুপী ৪ য়াওবা জোনেল কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাই প্রেমজিৎ, এম নেলসন, ভাইস প্রসিদেন্ট, এম অভিনাস, সেক্রেটরি, এম রাকেশ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, এল নোংশাবা, কেসিয়র ওইনা খনখ্রে। অতৈ এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অদুদি, কে এস ঐচ জয়, ৱাই প্রিয়া, এম গুনেশ্বরী, সোনিয়া খ্বাইরাকপম, টি ঐচ থোইথোই, বেবেকসন, এন রোনাল্ডো, এস ঐচ গুনেশ্বরী, এস ঐচ জেমসন, এম চিংলেন অমসুং কে এস ঐচ জোলিসননি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## য়ানবদগী হন্দোক্লে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): এফ সী আই জিরিবাম অমদি রেল হেদ জিরিবামগী হেন্দলিং লেবরশিংনা মতমগা চান্নবা মওংদা খুৎশুমল পীয়ু হায়না থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লম্বা অদু মতম খরগী ওইনা য়ানবা পুরকপদগী হন্দোক্লে হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমেন্দ্রজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হেন্দলিং লেবরশিংগী এজিটেসন অসিগা মরী লৈননা ইপসাগী ওফিস কৈশাম্পাৎতা মরী লৈনবা কন্ট্রেক্টর, সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানরবা মতুং খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি। ইপসা য়াওনা য়ানখিবা য়ান্ন-ৱারোল অদুদা মরুওইনা চেঙ বেগ অমা থাংবদা লুপা ৩.৫০ লাক্লিবা ওক্টোবর ফাওবদা পীবা, মসিগী মতুংদগী খুৎশুমল অমুক হেনগৎনবা ইপসা য়াওনা লেপমিন্নবা হায়বা য়াওরি। এগ্রিমেন্ট অদুদা রেল হেদ জিরিবামগীসু য়াওখি। রেল হেদকী ওইনদি কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারী ফাওবা চৎনগনি হায়বা ৱারেপ য়াওরি। য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা খুদিংমকপু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঈকায় খুম্নবা উৎলি। এজিটেসন মনুংদা এসোসিএসনগী মীওইশিংনা খোন কন্না ঙাংখিবা য়াওরবসু ৱারৌবীগনু। অরোইবদা জিরিবাম লোকল লেবর য়ুনিয়ন কৌবা য়ুনিয়ন অমনা মীদিয়াগী খুথাংদা এসোসিএসন্না হায়খিদবা ৱাফম অমবু হায়খ্রবোই খন্দুনা মীদিয়াগী খুথাংদা মশানা তৌখিবা অরানবশিং হায়দোকচবগুম তৌরে। লমজেল চেনবদি য়াওদনা মনা লৌগে হায়বদুদি তাইবংদা চৎনদবা লীচৎনি হায়রি।

## রিমসকী ফীভম ফগৎহন্নবা সী এমনা থাজবা পীরক্লে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা রিমস, ইম্ফালবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমদি ষ্টাফশিংগী ফীভম ফগৎনবা চহী ১১ গী মতুংদা পাঙথোকপা য়ুনিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্টর য়ৌগদবা বোর্দ ওফ গভর্ণরস মীটিংদা পুখৎকনি হায়না রিমস নন-টিচিং ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এন টি এফ দল্লিয়ু এ) গী মীহুৎশিংদা থাজবা পীরক্লে হায়না এন টি এফ দল্লিয়ু এগী সেক্রেটরি টি ঐচ বাবুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই বসন্ত অমদি সেক্রেটরি টি ঐচ বাবু য়াওবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু সী এম সেক্রেটরিএট ওফিসতা উনদুনা রিমসকী অৱাৎ-অপা কয়াগী মতাংদা কুপ্না ৱারী শানখি। থা অসিগী ১৪ দা রিমস, ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুদা মতম শাংনা ৱাজরক্লবা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংবু ৱান টাইম রেগ্যুলরাইজেসন তৌবীনবা, পোষ্ট ক্রিএসন তৌনবা অমদি রিমসবু এইমসকী থাক্তা পুখৎনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী সী এম, এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিনখি। এসোসিএসনগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মহাক্কী মায়কৈদগী পুখৎপা য়াবা ৱাফমশিং পুখৎতুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

## য়াশিন্নবা পুরকখ্রে : ইপসা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): এফ সী আই গোদাউন জিরিবাম অমদি রেল হেদ জিরিবামদা শিন্মী ওইরিবশিংগা এম/এস মথাই ইন্টরপ্রাইজেস উখ্রুলগী পাৱর ওফ এটোর্নি ওইরিবা পাওনম প্রেমচান্দ অনীগী মরক্তা লেবরশিংগী খুৎশুমলগী মতাংদা য়ানদনা লৈরম্বা অদু ইপসাগী হেদ ওফিস কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈকায়দা ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম য়াওনা খন্নরবা মতুংদা য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হায়না ইপসাগী আই পি আর সেক্রেটরি এস তোম্বীসনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শিন্মীশিং, কন্ট্রেক্টর, সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেলফ্যের এসোসিএসনদা ইপসানা শিন্মীশিংগী য়াইফনবা থবক তৌনবা ৱাফম খঙহনখি। শিন্মীশিংগী রাইট মাঙহন্দনবা পাউতাক পীখি। মণিপুরদা ৱার্ক কলচর শাগৎলিবা চৈরক অসিদা এফ সী আই ওথোরিটিনা হেন্দলিং কন্ট্রেক্টরশিংদা পীরিবা সেদ্যুল রেট অসি মতমগা চুনরিব্রা হায়বসি ইপসানা মীফমদা শরুক য়ারিবা পুম্নমক্কী মফমদা থমখি। মতমগা চুনবা খুৎশুমল লেবরশিংগী মফমদা, মরী লৈনবা পুম্নমক্না পীহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্রনা অকনবা ৱাফম থমখি। শেঞ্জাও পায়বশিংনা শিন্মীশিংবু অপান্বা মওংদা শীজিন্নবা, তৌনিংবদা তৌবা, পীনিংবা শেল খরা পীরগা মফম মতম নাইদনা থবক শীজিন্নবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু ইপসাগী প্রসিদেন্টনা থমখি হায়রি।

## লাইন শেমগদবা লৈবনা মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): লাইন মেন্টিনেন্সকী থবক তৌগদবা লৈবনা ১১ কে ভি টিদ্দিম টু ফিদরনা কোনবা কঞ্জুমরশিং হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা সটডাউন তৌগদবনা মৈ ফংলোই হায়না আই ঈ দি-ৱান, এম এস পি দি সী এলগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। হায়রিবা মতম অসিদা কৈশাম্পাৎ লাইশোম লৈরক, হোদাম লৈরক, সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়, ক্বাকৈথেল বজার, ঙানপ্পীথোং, মোইরাংপুরেল অমদি ইরোমপুখ্রি মপালগী কঞ্জুমরশিংনা মৈ ফংলোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES
C I R C U L A R
Imphal, the 6th September, 2019

No. VFA/TRG/2019-Vety.:The result of Entrance Test for selection of suitable candidates for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course for the academic session, 2019-20 has been declared and the details of which can be seen from the Notice Board of the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong. Further, the selected candidates are hereby informed to report to the Principal, Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong, Imphal West on or before 12th September, 2019 along with necessary documents in original **(with 1 xerox copies each)** and 3 (three) recent passport size photographs for admission.

Sd/- **H. Chaoba Singh**
Director, Vety. & A.H. Services, Manipur.

HL-P/4171/7,8

## বেবিসনাগী কেস লৈঙাক্না থৌশারক্ত্রবদি এ আই এস এফনা তুমীন্না লৈরোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): বেবিসনাগী কেস লৈঙাক্না থৌশারক্ত্রবদি ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা তুমীন্না লৈরোই হায়না এ আই এস এফকী সেক্রেটরি নাওরেম রবীদাসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈ তমজরিবা মহৈরোয়ে কয়া চহী মাঙদুনা লৈরিবনি। মহৈরোয় খরা চহী মাঙদুনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবা থৌদোকনি। হৌজিক হৌজিক প্রাইভেট স্কুলশিংগী এদমিসন ফি অমসুং ট্যুসন ফি অতিয়া পক্না ৱাংখ্রে। লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয় কয়া মহৈ তম্বদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসিগী তাঞ্জা অসিদা তাবদা নুংঙাইতবা স্কুলগী বোর্দিংদা মহৈরোয় কয়া শিরম্বগী পাউ কয়া তারিবশিং অসি লন্নাই শেঞ্জাও পায়বা খরনা স্কুলবু বিজিনেসকী মওংদা, তৌনিং-তৌনিংবতা তৌবা অমদি রুল এন্দ রেগ্যুলেসন লৈতবা য়াম্না ফ্রি ওইমনবগী অশোয়বশিং য়াওরে হায়বগী খুদম পীরক্লিবনি।

অৱাবা অমসুং চাউখৎপা নুংঙাইবা হায়বসি শেল পায়বা পায়দবগী মখা পোন্দে। অৱা-নুংঙাই হায়বসিদি অচুম অরানগী মখা পোল্লি। মরম অসিনা ঙসি বেবিসনাগী থৌদোক্তা মীয়াম্না হৌরিবা ঈরাং অসি হৌনিংদুনা হৌবদি নত্তে। করিগুম্বা খরদি লৈরে হায়বগী খুদমনি। তৌরিবা থবক খুৎতৌ, পাঙথোক্লিবা থবকশিং অদুনা তাকচগদবনি। বেবিসনাগী কেস অসি লোইশিনবীদুনা মহৈ তম্বা ফংহনবীবগা লোয়ননা মতুংদা থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎপা মথৌ তাই। নীংশিংবা য়াই, বেবিসনাগী কেস অসি লাক্লবা মতমদর গভর্ণমেন্টনা প্রাইভেট স্কুলশিংগী রুল এন্দ রেগ্যুলেসন শেমখিবনি। শেমখিবগীদমক্তদি থাগৎনিংঙাই ওই অদুবু হান্ননা থৌদোক থোক্ত্রিঙৈদদি শেমখিদে। অসিগুম্বা ক্রাইম থোক্ত্রিঙৈদা হান্ননা মাঙজৌননা পোলিসী প্রোগ্রাম কয়া মীয়ামগা তান্নরগা ট্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক তৌবীগদবনি। প্রাইভেট স্কুলশিং অসি নোংম-নোংমগী থোঙ্গাল খুদিংগী হাংনরক্লি। মসিদা লৈঙাক্না য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবীগদবনি। প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংগী তোলোপ অমদি মহৈরোয়শিংগী ট্যুসন ফিশিং অসি লৈঙাক্না লেপথোকপীগদবনি। স্কুলগী এদমিসন ফি অমদি ট্যুসন ফিশিং লৌনিংবা লৌদুনা লৈরিবশিং অসি গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবীবা মথৌ তাই।

কুমজা ১৯৩৬ কী ওগষ্ট ১৩ দা লখনৌদা এ আই এস এফ লিংখৎখি। ইন্দিয়াবু সোসলিষ্ট খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৩৬-৪৭ ফাওবা বৃটিশ তান্থোকখিনবা মুভমেন্ট কয়া তৌখি। কুমজা ১৯৪৭ গী তুংদা ইন্দিয়া সোসলিষ্ট কন্ট্রি ওইবা ঙমখিদে। মরম অদুনা সাইন্টিফিক সোসলিষ্ট কন্ট্রি ওইননবা অমদি ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিগা খুৎশম্নরগা মুভমেন্ট কয়া চথুরি। মণিপুর কুমজা ১৯৪৮ তা এ আই এস এফ চঙকখি। এম কে বিনোদিনি, খাইদেম প্রমোদিনি, কুমারী থোইবী, এন জি মোহেন্দ্রো মখোয় অসি এ আই এস এফকী ফাউন্দরনি। মণিপুরদা এ আই এস এফকী ষ্ট্রগলগী মহৈশিং অদুদি, ষ্টেটহুদ ফংখিবা, মণিপুর লেংগ্বেজ নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখিবা, মণিপুর কোলেজ লিংখৎখিবা, এগ্রি কোলেজ লিংখৎখিবা হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই হায়নসু মখা তারি।

HL-P/3773/23aug to 21oct(alt.)

Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of PanditDeenDayalUpadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No. 09366085482 /9366092109
email: pdduias@gmail.com

Ref No.PDDUIAS/Advt/15-2016/13

**ADMISSION OPEN**

**FOR B.TECH AGRICULTURAL ENGINEERING**

Duration of course: 4 years
Qualification: 12th Science with minimum 45%, with physics, Chemistry & Mathematics
Fee Structure: Rs 50,000/- per semester
Hostel fee: Rs 13,000/- per semester and extra university fee.
Orientation Cum Counselling: 3rd October, 2019
Commencement of session : 4th October,2019
*Note:-Admission form can be had from the office of the Director, PDDUIAS, Utlou on payment of Rs 500/-during office hour.*
*Hurry Limited Seats.*
*For details Please Contact Director ,PDDUIAS, Utlou.*
*Utlou Mayai Leikai,Bishnupur District,795134,Manipur.*
*Phone No.9366045467 / 9366092109 email.pdduias@gmail.com*

Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

HL-P/4162/7

**PIS Brick Field (Mechanised)**

(From time to time rate changeable)

BRICK SAMPLE

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 1st Rej. | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| Peti | Rs. 11.20 | 2000 | Rs. 22400 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25000 |
| Peti | Rs. 11.20 | 1500 | Rs. 16800 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 18800 |
| 3rd | Rs. 5.00 | 2000 | Rs. 10000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 12600 |
| 3rd | Rs. 5.00 | 1500 | Rs. 7500 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 9500 |
| Chektek | Rs.5000/- per 1 load (Tata 407) | | | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 7000 |

Contact: 9862048579, 8787464898 (Sunday closed & Phone switch off)
Office Hours: 6:00 am to 4:30 pm
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of PanditDeenDayalUpadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No. 09366085482 /9366092109
email: pdduias@gmail.com

Ref No.PDDUIAS/Advt/15-2016/12

**ADVERTISEMENT**

Utlou, the 6th September ,2019

The institute will recruit the following Teaching Posts as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the institute.
**RR**-As per latest UGC norm.
**Pay Scale**-Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/-+ Ph.D increment.(For Assistant Professor)
-Rs9,300-34,800 with Grade Pay Rs 5400/- (For Lecturer)

| Sl.No | POST | DISCIPLINE | POSITION | Eligibility |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Professor/ Lecturer | Civil Engineering, Mechanical Engineering, Electrical Engineering. | 1 each | B.E./B. Tech 1st Class for Lecturer. M.E./M. Tech. for Assistant Professor |
| 2 | Assistant Professor | Soil & Water Conservation, Irrigation and Drainage, Farm Machinery & Power Engineering, Processing & Food Engineering | 1 each | M. Tech/ NET or GATE/or Ph.D. |
| 3 | Assistant Professor/ Lecturer | Chemistry, Mathematics | 1 each | M.Sc., NET or GATE/or Ph.D. |

Note:
*1.Application form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.*
*2.Date of commencement of form:7/9/19*
*3.Last date of form submission :30/9/19*
*4.Interview will be held on: 3rd October ,2019*
*5.Short listed candidates will only be called for interview.*

Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

HL-P/4162/7

**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH & RHYMES COURSES**

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3944/21/7-20/8